# ঐবু নুংশিবীবা হিংহৌরিবশিংগী মফমদা

(মরু ওইনা ইমুং মনুংগী মফমদা)

ঐনা হয়েং শিরবা মতমদা, নুমিদাং মোংফমদা পুথোকপা তৌগনু। অয়ুক নুংথিনদা ফজনা পুথোকপিয়ু। মচু ৭ (তরেৎ) কী ফিরাল অফবা মপুং ফানা শাদোক্লগা কুদা কুপতুনা পুথোকপিয়ু।

মোংফমদা কনাগুম্বা অমনা মোংফম লৈনবা পৈশা পুথোরকউ হায়রবদি পীবা য়াদে। ঐনা লৈরিবা য়ুম, ঐনা লৈরিবা ইংখোল, ঐনা পোক্লিবা লৈপাক, কংলৈপাক, কনাগীসু নত্তে। ইপা ইপুশিংনা চহী ২০,০০০ (লিশিং কুন) লোম নিংথৌ পান্দুনা লৈরক্লবা লাইলৈপাকনি। মচীন থীবা, নমথাক তৌবা কনাগী মৱা লৌগনু।

ঐনা ইপা ইপুশিংনা থম্লম্বা লৈপাক্তা শিজবা, তিঞ্জবা, কনাদগী ঐনা মোংফমগী লম লৈফম থোকপগে?

ঐগী চুপশা মোইথেম (হৌজিক লান্ন-থৌরম হায়রিবা) অসি শিবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি সুবা নুমিৎতা তৌগদবনি। লৈহুন লৈরোই। থা থাগী দিন তাই হায়জিন্দুনা তৌরিবা চাকলেন কৎপগী থৌরম তৌবা য়ারোই। চহীগী থৌরম (ফিরোই) ফজনা পাংথোকপিয়ু।

ঐনা ঙসি হায়জরিবসি কংলৈচা ইপা-ইপুশিংনা কংলৈপাক্তা চহী লিশিং কয়া চৎনরকপা, ইপা ইপুশিংগী অচুম্বা লীচৎ অদুনি। ঐনা ঙসি ইজরিবশি, থৌৱাই য়াম্না নুংঙাইনা, লৌশিং ফজনা তানা, ঐনা চপ চানা নিংজবা অদু ইজবনি।


কংলৈপাক্কীদমক হিংজবা
ৱাংখেমচা চীংতমলেন
শগোলবন্দ থাংজম লৈরক
ফোন নং ঃ 8974577213
Email : chingtamlen@gmail.com


Imphal
21/10/2013